# মাইগ্রেন্টশিং ফুবদা চেন্নবা মীওই ৪৫০ ফাখ্রে গুজরাতনা মাইগ্রেন্টশিং হল্লক্নবা আপিল তৌখ্রে




***ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৮***

গুজরাতকী দিষ্ট্রিক্ট ৫ দা মাইগ্রেন্টশিংগী মথক্তা ফু-চৈবগী হিংশাশিং থোকখ্রবগী তুংদা ষ্টেট অসি থাদোক্তুনা চেনখিবা মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং অদু অমুক হল্লক্নবা ঙসি গুজরাতনা অপিল তৌখে।

মাইগ্রেন্ট লেবরর অমননি হায়বা মশাগী চহী ১৪ শুরবী নুপীমচা অমা রেপ তৌবগী চয়োল অমগী মতূংদা গুজরাতকী দিষ্ট্রিক্টশিং- মরুওইনা মেহসনা অমসুং সবরকান্থদা বিহার অমসুং উত্তর প্রদেশকী মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিংগী মথক্তা ফু-চৈবগী থবক চথদুনা হিংশাগী থৌদোকশিং থোকখি।

অতৈ ষ্টেটশিংদগী থবক শূনবগীদমক গুজরাততা লাকখিবশিং অদু সেক্যুরিটি পীবা হায়বসি ঐখোয়গী দাইত্বনি। ষ্টেট অসিদা লো এন্দ ওর্দর হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবা ঐখোয়না য়াম্না হকচিন্না হোৎনরি। ঐখোয়না কেস অসিদা ফার্ষ্ট ইনফোর্মেসন রিপোর্ট (এফ আই আর) ৩৫ লৌখৎলে হায়না ষ্টেট হোম মিনিষ্টর প্রদীপসিনহ জাদেজানা হায়খি।

মাইগ্রেন্টশিংগী মথক্তা খূৎ থাবগীদমক মীওই ৪৫০ হেন্না ফারে হৌজিক ফিভম অদু ষ্টেট পুলিস চীফনা কুপ্না য়েংশিন্দুনা লৈরি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতসু রিপোর্ট অমা থাখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

নুপীমচা অদু সেপ্টেম্বর ২৮ দা সবরকন্থ দিষ্ট্রিক্টতা রেপ তৌখিবনি মদুগী মতূংদা চেন্নরিবা মীওই অদু ফারে। অদুম ওইনমক হৌখিবা নুমিৎ খরনিদা বিহার অমসুং য়ু পি দগী থবক শূবা মাইগ্রেন্টশিংদা পান্দম থমদুনা গান্ধীনগর, অহমেদবাদ, পাতন, সবরকন্থ অমসুং মেহসনা হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট ৬ অসিদা হিংশা থোকখি। অহেমদবাদ সিটিগী শরুক অমদসু হিংশা থোকখি।

মাইগ্রেন্ট মীয়ামদা অতন্ননা পান্দম থমদুনা হিংশা চথরকখিবা মীওই অদু চৈরাক পীনবা বিহার চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা গুজরাততা মাগা ফম্মান্নবা বিজয় রুপানিদা টেলিফোন তৌখিবদা মাইগ্রেন্টশিং অমুক হল্লক্নবা অপিল অদু তৌরকখিবনি।

ক্রাইম অদুগীদমক অতৈ মীয়ামদা চৈরাক পীবীদনবা ঐহাক্না হায়জবা পাম্মী। মরাল লৈবশিং অদু খক্তমক চৈরাক পীয়ু। অদুবু অতোপ্পশিংগী মায়োক্তা য়েংথিবা অমসুং তাথিবগী ৱাখল শন্দোকপীগনু হায়না বিহার চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমারনা টেলিফোনদা ৱারী শান্নবা অদুদা বিজয় রুপানিদা ফোঙদোকখি।

উত্তর প্রদেশ চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনসু গুজরাত চীফ মিনিষ্টরদা মহাক্না ৱারী শাখ্রে হায়খি। মদুদা মহাক্না ময়েক য়াম্না শেংনা হৌখিবা নুমিৎ হুন্নিদা শুপ্নগী থৌদোক অমা ফাওবা থোক্ত্রে হায়রি।

তোকঙাশিংদা থাজবীদনবা মীয়ামদা অপিল তৌরদুনা গুজরাত গভর্ণমেন্টনা থাগৎনিংঙাই ওইবা চপ চাবা মহৈ ফংবা খোঙথাং অমা লৌখৎখ্রে। মিষ্টর রুপানিনা মীয়াম পূন্নমক্তা সেক্যুরিটি পীনবা থাজবা পীরকখ্রে হায়না য়ু পি চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি।

গুজরাত, শান্তি পাম্বা ষ্টেট অমনি। মোদেল ষ্টেট অমনি। গুজরাতপু লৈহৌবা মীওইশিং অদুনা ষ্টেট অসিদা চৈনিংঙাই মরম অমত্তা ফংদবা মতমদা মখোয়না তোকঙা শন্দোকই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

## হরিয়ানানা ‘কবচ’ কৌবা এন্টি-টেরোরিজম ফোর্স লিংগদৌরি

***চান্দিগর, ওক্টোবর ০৮***

হৌজিক মতমগী সেক্যুরিটিগী শীংনবশিং থেংননবা ষ্টেট পুলিসতগী অখন্না ট্রেনিং তৌরবা রেক্রুটশিংনা শাবা এন্টি-টেরোরিজম ফোর্স (এ টি এফ) অমা হরিয়ানা গভর্ণমেন্টনা লীংখৎলগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর মনোহর লাল খত্তরনা ঙসি লাওথোকখ্রে।

ফোর্স অসিগী মমিং ‘কবচ’ কৌগনি। মসিগীদমক খনগৎলবা হরিয়ানা পুলিস রিক্রুটশিংবু নেস্নেল সেক্যুরিটি গার্দ (এন এস জি) না ট্রেনিং পীগনি। মসিগী মতাংদা এন এস জি দা ঐনা হান্ননা ৱারী শান্নখ্রে হায়না গুরগাওদা চীফ মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। অতৈ ষ্টেটশিং খরনা অসিগুম্বা য়ুনিট অসি হান্ননা লীংখৎখ্রে।

## অসামগী দিপ্যুটি স্পিকর শামু তোংবদা ওন্থরকখিবদা ময়াম্না নোকখ্রে

***রতাবারি, ওক্টোবর ০৮***

বি জে পি লেজিসলেটর অমসুং অসাম লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী নৌনা খনখিবা দিপ্যুটি স্পিকর কৃপানাথ মাল্লহনা ঙরাং থাংজ নুমিৎতা মহাক্কী শৌগৎপশিংনা শীনবা মীয়ামগী খোঙচৎ অমদা শামু তোংদুনা চৎপদা শামু অদুদগী ওন্থরকখ্রে।

দিপ্যুটি স্পিকর ওইনা খল্লবা তুংদা কৃপানাথ মাল্লহনা মহাক্কী কন্সটিটুয়েন্সি রতাবারিদা অহানবা ওইনা চৎপদা মাগী শৌগৎপশিংনা মহাক শামু তোংগদবনি হায়না কন্না তকশিনখি। মদুদা মহাক্না শামু তোংবদা শোয়বদগী নাম্থরক্তুনা লৈমায়দা ওন্থরকখি। অদুবু মহাক অশোক-অপন থোকহৌখিদে। মহাক্না কোন্না লেপখৎলকখি অমসুং মাগী অকোয়বদা লেপ্তুনা থম্মোয় তানা নোক্লিবা মীয়ামগা পূন্না নোকমিন্নখি হায়রি।

# ইন্দোনেসিয়াগী য়ুহার হাবা অমসুং সুনামিদা শিবা ২,০০০ রোম য়ৌরে হায়বা খঙলে, অতৈ কয়া লৈরমখিবা য়ারি

***পালু, ওক্টোবর ০৮***

ইন্দোনেসিয়াগী সুলাৱেসি ঈথৎতা হন্দক শাথিনা কল্লবা য়ুহার হাবা অমসুং মদুদা থোকখিবা সুনামিদা শিখিবা মীগী মশীং ২,০০০ রোম য়ৌরে হায়বা চপ চানা খঙলে। অদুবু হৌজিকসু থেংনদ্রিবা অশিবা হকচাং লীশিং কয়া লৈরমখিবা য়ারি হায়না ওফিসিয়েলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। চয়োল অসিগী মনুংদা অসিগুম্বা মীওইশিং থিবা লেপ্লগনি হায়রি।



মাঙ-তাকপগী থৌদোক অদুদা খ্বাইদগী থিনা শোক্লবা পালু সিটিদগীনা অয়াম্বা ওইনা মীওই ১,৯৪৮ শিখ্রে হায়না দিজাষ্টর তাস্ক ফোর্সকী ওফিসিয়েল জমালউদ্দিননা হায়খি।

অদুবু পলাওদা অমুক্তা হেন্না খ্বাইদগী শাথিনা শোকখিবা মফম ২ - বালারোৱা অমসুং পেতোবোদা লৈখোম-লৈনাংগী মখাদা য়াম্না লুনা মীওই ৫,০০০ রোমগী হকচাং লৈরমখিবা য়ারি হায়না নেস্নেল বোর্দ ফোর দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী মকোক ওইরিবা ৱিল্লেম রুম্পাঙ্গিলৈনা হায়খি।

সেপ্টেম্বর ২৮ গী য়ুহার হাবা অদুনা মফমদুগী লৈবাক অদু ইকোম কোমথোকহনখি, চোৎহনখি অমসুং মদুনা মহিদৌনা ওন্থোকখি। মসিনা মরম ওইদুনা অৱাবা তারবা মীওইশিং কন্নবা নৎত্রগা অশিবা হকচাংশিং লৌথোক্নবগীদমক লৈমায় অদুদা হেভি একুয়পমেন্ট চঙবা য়াদ্রে।

পেতোবো অমসুং বালারোৱাগুম্বা মফমশিংদা য়াম্না ৱাংনা লিকুইফেক্সনগী রিস্ক লৈবা মফমশিং অমুক হন্না শেমগৎ-শাগৎপগী থবক তৌবা হায়বসি ওইথোক্লিংঙাই লৈতবগুম তৌই হায়না দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী মকোক অদুনা হায়খি।

মী থিবগী থবক শগোলশেন নুমিত্তা লোয়শিন্নবা ওফিসিয়েলশিংনা অমুক্তা চেংনা ফোঙদোকখ্রে। অদুম ওইনমক করিগুম্বা মথৌ তারক্লবদি মতম অদু মখা শাংথরবা য়াই।

পাত্তক্লনা মাঙ-তাকপনা শোকহল্লবা মফম খরদদি হৌজিক মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লকপা হৌরে। খুদক্কী চিঞ্জাক অমসুং ঈশিংগী মথৌ তাবশিং ফংহল্লে। লোকেল গভর্ণমেন্টনসু থবক তৌবা হৌরে। স্কুল কয়ামরুম পুংতোই-তোইনা মাঙ-তাকহনখ্রবনি অদুবু তৌবা য়াবা মফমশিংদা ক্লাসশিং চথবা অমুক হৌখ্রে। মসি ওইদুনসু মফমশিং অদুদা অমুক হল্লকপদা মহৈরোই কয়াদি হৌজিকসু অকিবা পোক্লি।

## মুম্বাই টেরর এটেকক্তা মরী লৈনবা ট্রিজন কেসতা হান্নগী পাকিস্তান প্রাইম মিনিষ্টর ২ কোর্টতা লাকখ্রে



***লাহোর, ওক্টোবর ০৮***

কুমজা ২০০৮ তা থোকখিবা মুম্বাই টেরর এটেকতা য়াওখিবশিং অদু পাকিস্তানগী মীওইশিংনি হায়না ফোঙদোকখিবগীদমক লৈবাক্কী মায়োক্তা থবক তৌবা-ট্রিজন চার্জশিংগী মখাদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শারিফকী মথক্তা থবক লৌখৎনবা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎ অদুগী মতাংদা ওক্টোবর ২২ ফাওবগী মনুংদা পাউখুম অমা থাগৎলক্নবা লাহোর হায় কোর্টনা ঙসি ফেদেরেল গভর্ণমেন্টতা কন্না পাউতাক অমা পীখ্রে।

ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাহোর হায় কোর্টকী ফুল বেঞ্চ অদুগী মমাঙদা হান্নগী পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ২ - নৱাজ শারিফ অমসুং শহিদ খাকান অব্বাসি, অমসুং ‘দোন’ পাউচেগী শরুক্লইরবা পাউমী সাইরিল অলমৈদা মশা-মশানা থোক্লকখি।

জষ্টিস মজাহার অলি নকবিনা লুচিংবা মেম্বর অহুমগী বেঞ্চ অমনা হিয়ারিং চথবা কেস অদুদা অলমৈদাসু রেস্পোন্দেন্ট অমনি। মথংগী হিয়ারিংদা অইবা পাউখুমশিং পীখৎলক্নবা কোর্টনা মখোয় অহুমদা ওর্দর তৌখি।

কেস অসিদা আর্টিকল ৬ (ট্রিজন) গী মতাংদা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎপা থবক করি লৈরবগে হায়না কোর্ট অসিদা দিপ্যুটি এট্রোর্নি জেনরেল মিয়া তারিফতা তকখৎতুনা হংখি।

আর্টিকল ৬ কী মখাদা থবক লৌখৎপা গভর্ণমেন্টকী থবক্নি। হৌজিক ফাওবদা মসিনা করি তৌখ্রে হায়না বেঞ্চ অদুগী মেম্বর অমা ওইরিবা জষ্টিস জহাঙ্গিরনা হংখি।

কোর্টনা নো-ফ্লাই লিষ্ট (একজিট কন্ট্রোল লিষ্ট) তগী অলমৈদাগী মমিং লৌথোক্নবা অমসুং মহাক্কী নন-বেল্লেবল ৱারেন্টশিং লৌথোক্নবসু ওর্দর তৌখি।

হৌখিবা চহীগী মে থাদা ‘দোন’ পাউচেদো পীবা ইন্টরভ্যু অমদা নৱাজ শারিফনা ২০০৮ মুম্বাই এটেক চথখিবশিং অদু তশেংনমক পাকিস্তানগী মীওইশিংনি হায়না ফোঙদোরকখিবগীদমক সিভিল সোসাইটি এক্টিভিষ্ট অমা ওইরিবা অমিনা মালিকনা মহাক্কী মায়োক্তা ৱাকৎ অদু থাঙ্গৎলকখিবনি।

অহুম্লক হন্না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্লবা নৱাজ শারিফকী ৱাঙাং অদু এন্টি-ষ্টেট ওইবা ষ্টেটমেন্ট অমনি। মদু য়েক্লবশিংনা পাকিস্তানগী মায়োক্তা শীজিন্নরকপা য়াই হায়না পেটিস্নর অদুনা হায়খি।

দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা প্রাইম মিনিষ্টরগী লান্না লমজিংবা ৱারোল অদু খন্ননবা নেস্নেল সেক্যুরিটি কাউন্সিল (এন এস সি) গী মীফম অমা ফমখি অমসুং মদুগী মতূংদা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর শহিদ খাকান অব্বাসিনা নৱাজ শারিফ উন্নখি অদুগা মাগী ৱারোল অদুগী মতাংদা মিলিটরি লীদরসিপনা নুংনাংলিবশিংবু মঙোন্দা পাউদমখি হায়না পিটিসনর অসিনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর অব্বাসিগী থবক অসিমকসু মহাক্না লৈবাক্কী ফম অসি পুবদা শকখিবা ৱাশক অদু ময়েক শেংনা থুগাইবা অমনি। মহাক্কী লন্নাইগী ৱাফমদা মাগী ওফিসিয়েল কন্দক্তা অকায়বা পীহনবা য়াদে হায়না মহাক্না হায়খি।

## মশাগী নুপী হাৎপা বৃটিশ এদিটর জেলদা চহী ১৫ গী চৈরাক পীখ্রে

***দুবাই, ওক্টোবর ০৮***

মশাগী লোয়নবী নুপীবু নূংথঙনা থাদুনা হাৎপগী কনভিক্সন পীখ্রবা মুম্বাইদা লৈবা ন্যুজপেপরগী হান্নগী এদিটর ওইরম্বা বৃটিশ নুপা অমগী চৈরাক চহী ১৫ দা শাংদোকখ্রে।

ফ্রান্সিস মেথিউ কৌবা মীওই অসি মখোয়গী য়ূমদা মাগী নুপী অদুবু মার্চ থাদা হাৎপগী মরাল ফংখি অমসুং জেলদা চহী ১০ গী চৈরাক পীখিবনি অদুবু নাকল অনীমক্না অপিল তৌরকপদগী ঙরাং নোংমাইজিং নুমিত্তা মাগী চৈরাক অদু চহী ১৫ দা শাংদোক্তুনা অনৌবা রাই পীরকখিবনি।




**Nongpok Sekmai**
Booking : 08/08/18
Valid : 27/07/18
Stk : 306
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 12/07/18
Sl. No. 8670
Valid : 10/07/18
Sl. No. 8121
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**Yairipok Gas**
Booking : 06/08/18
Valid : 02/08/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 17/08/18
Valid : 11/08/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m
Rate : Rs. 998.50/-

**Hiyangthang Indane**
Booking : 24/07/18
Valid : 21/07/18
Stk : 594/19kg 12
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khumbong Indane**
Booking : 21/08/18
Valid : 20/08/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Hrangchal Gas, Old Lambuland**
Booking : 24/07/18
Valid : 23/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 13/07/18
Valid : 09/07/18
Stk : 612 DBTL
5 Kg Available
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 998.50/-

**Imphal L P G Service**
Booking : 10/08/18
Valid : 04/08/18
Sl. No. 21753
Stk : 306/5kg Available

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 21/07/18
Sl. No. 8322 upto 8597
Valid : 19/07/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Athokpam Indane**
Booking : 11/07/18
Valid : 02/07/18
Stk : 612 CTC
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Khoriphaba Gas Nambol**
Booking : 09/08/18
Sl. No. 2863 upto 3078

**R N I**
Booking : 19/06/18
Valid : 07/06/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Haran Valley**
Booking : 28/06/18
Valid : 26/06/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

# বিহার হোষ্টেলদা নুপীমচাশিং ফুবদা চেন্নবা ৯ ফাখ্রে

***পাটনা, ওক্টোবর ০৮***

বিহারদা রেসিদেন্সিয়েল স্কুল অমগী নুপীমচা ৩৪ ফুবদা চেন্নবা মশাগী চহী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহা ৯ অদু লোয়নমক পুলিসনা ফাখ্রে।



স্কুল লৈরিবা মফম অদুগী নুপামচাশিংগী খূৎপু অমনা নুপীমচাশিং অদুদা নম্ফুদা নৎতবা লীচৎ চৎনবা হোৎনরকপদা মায়োক্লদুনা নুপীমচাশিং অদুগা খূৎ থোক্নখিবা অমগী মতূংদা মীওই খূৎপু অমনা কোন্না অমুক লাক্লগা স্কুল অদু থুগাইদুনা চঙলক্লগা নুপীমচাশিং অদুবু তমথিনা ফুখিবনি। স্কুল অসি বিহারগী কোনুং পাটনাদগী কিমিঃ ২৫০ লাপ্পা ট্রিবেনিগঞ্জ কৌবা সাওপাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা নুংনাংবা ফোঙদোক্লদুনা সুপ্রিম কোর্টনা নুপীমচা ৩৪ অদু মখোয়বু মোলেষ্ট তৌবদগী মশা ঙাকথোকচনবা হোৎনখিবা মরমদগী মখোয়বু ফুখিবনি হায়খি।

অঙাংশিং অসিদা নখোয়না তৌরিবা অসিগুম্বা থবক অসিদা করি তৌবা তাই। অসিগুম্বা মখলগী ৱাথোক অসি নুমিৎ খুদিংগী থোক্লি।

পুলিসনা হান্না মীওই ৩ ফাখ্রে। অদুবু ঙসি অতোপ্পা মীওই ৬ সু ফারে। মখোয় পূন্নমক থৌদোক অসিগী মতাংদা থাঙ্গৎলকখিবা ৱাকৎতা মমিং পল্লকখিবা ঙাক্তনি। মশাগী চহী ১২ দগী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীমচাশিং অদু হোস্পিটাল অমদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি অমসুং মখোয়গী মনুংদগী ২৬ তি হৌজিক হোস্পিটালদগী হনখ্রে হায়না পুলিসনা হায়খি।

নুপীমচাশিং অদুগা মফম অদুৱাইগী নুপামচাশিংগী মরক্তা থাংজ নুমিৎতা খূৎ থোক্লবদগী থৌদোক অদু থোক্লকখিবনি। নুপীমচাশিংগী গভর্ণমেন্ট ইন্সটিট্যুসন অমা ওইরিবা কষ্টুরবা রেসিদেন্সিয়েল স্কুল অদুদা নুপামচা খরনা লোন্না চঙশিল্লকপদা নুপীমচা খরনা ফাখিবনি অমসুং মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা মখোয়না হায়খি। অদুবু নুপামচাশিং অদুনা মদু য়াখিদে অমসুং নাতৈ চাদবা মওংদা চথরকপদগী মখোয়বু নুপীমচাশিং অদুনা মশা ঙাকথোকপা ওইনা ফুদৎখিবনি হায়না স্কুল অদুদা থৌদোক অদু মমিৎমক্না উহৌবা অমনা হায়খি। মদুগী পূং ২ রোমগী মতূংদা চাওরাক্না নুমিদাংৱাইরম পূং ৫ রোম তাবদা নুপামচাশিং অদুনা মখোয়গী মমা মপাশিং অমসুং মরী মতাশিংগা লোয়ননা লাক্লগা স্কুল অদু থুগাইদুনা নমফুদা চঙলকখি। মখোয়না কেম্পস অদু কোয়শিল্লগা কিরবা নুপীমচাশিং অমসুং ওজাশিং অদু ফুখি।

পুলিসতা থাঙ্গৎপা ৱাকৎ অমদা স্কুল প্রিন্সিপাল অদুনা ঈং-তপথবিনবা ফনা হায়জরবা ফাওবদা মীওইশিং অদুনা মহৈরোই নুপীমচাশিং অমসুং ওজাশিংবু তমথিনা ফুরমখিবনি হায়খি।

## বেঙ্কোকতা নোংমৈ কাপ্পদা শিখিবা ২ গী মনুংদা ইন্দিয়ান তুরিষ্ট ১ য়াওখ্রে

***বেঙ্কোক, ওক্টোবর ০৮***

বেঙ্কোকতা য়েংথিনবা গেং ২ নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অমদা মশাগী চহী ৪৪ শুরবা ইন্দিয়ান টুরিষ্ট ১ য়াওনা ফোরেন টুরিষ্ট ২ শিখ্রে অমসুং ইন্দিয়ান ২ য়াওনা অতোপ্পা ৫ অরুবা ফিভমদা শোক্লে হায়না ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা থাই পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদু রাটচথেৱি দিষ্ট্রিক্টকী সেন্তরা ৱাতরগেট পেবিল্লিয়ন মনীংদা টুরিষ্ট গারী থাফম ওইরিবা লম্বী অমদা ঙরাং নুমিদাং থোকখিবনি হায়না *বেঙ্কোক পোষ্ট* কী পাউনা হায়রি।

টুরিষ্টশিংনা ইন্দিয়ান রেষ্টুরেন্ট অমদা চাক চারুরগা পার্কিংদা মখোয়গী বস ঙাইদুনা লৈখি। মতম অদুদা অনকপদা লৈবা সুকর ক্লব অমদগী পিষ্টোলশিং, শুরিশিং অমসুং চৈ পায়বা মীওই ২০ লোম লম্বীদুদা চেনশিল্লকখি। মীওই অহুন্না নোংমৈসু কাপখি।

পুলিস থুংলখিবগা গেং মেম্বরশিং অদু চেনখি। মখোয় অমত্তা ফাবা ঙমহৌদে। থৌদোক অদুদা শিখিবা মীওই অনী অদুদি ইন্দিয়ান অমা ওইরিবা গখ্রেজর ধিরাজ অমসুং লাও টুরিষ্ট অমা ওইরিবা কিওবোংসা থোনেকিও কৌই হায়রি।

## মমতা বেনর্জীদা লুদবা লোন্দা শীজিন্নখিবা নহা পুলিসনা ফাখ্রে

***আগর্তলা, ওক্টোবর ০৮***

ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জীগী মথক্তা ফেসবুক্তা লুদবা ৱাঙাং-ৱাতা শীজিন্নখিবগীদমক ট্রিপুরাগী নহা অমা পুলিসনা ফাখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা ৱেষ্ট বেঙ্গল মিনিষ্টর ব্রত্যা বসুনা আগষ্ট ১৭ তা বিধান নগর পুলিস ষ্টেসনদা ৱাকৎ অমা থাঙ্গৎখি। হীরম অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ঙরাং নুমিদাং ট্রিপুরাগী ধলাই দিষ্ট্রিক্ট কুলাইগী ঠাকুর পল্লি এরিয়াদগী তুশার শর্মা কৌবা নহা অদু ফাখিবনি। মহাক্না আগষ্ট ১৪ দা ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টরগী মথক্তা লুজদবা ৱাতা-পুদা শীজিন্নখিবনি।

ট্রিপুরাগী অম্বাসা পুলিস ষ্টেসনগী মতেংগা লোয়ননা ৱেষ্ট বেঙ্গল পুলিসনা মহাকপু খুল অদুদগী ফাবা ঙমখিবনি। অম্বাসা কোর্টতা মহাকপু পুথোক্লকপদা বিধান নগর পুলিস ষ্টেসনদগী লাকখিবা ৱেষ্ট বেঙ্গল পুলিসনা মাবু নুমিৎ ৫ নিগী ট্রান্সিট রিমান্দ পীনবা হায়জখি। অদুবু মহাক মশা ঙমদবগী য়ূম্ফমদা কোর্টনা মাবু জেলদা থাজিনখ্রে।

## সনা-সুদোকু -১৩১৪ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 6 | 8 | 9 | 5 | 4 | 7 | 3 | 2 |
| 5 | 3 | 4 | 2 | 7 | 8 | 1 | 9 | 6 |
| 2 | 7 | 9 | 6 | 1 | 3 | 8 | 5 | 4 |
| 8 | 1 | 6 | 4 | 2 | 5 | 9 | 7 | 3 |
| 4 | 5 | 7 | 3 | 9 | 1 | 6 | 2 | 8 |
| 9 | 2 | 3 | 8 | 6 | 7 | 5 | 4 | 1 |
| 3 | 9 | 5 | 1 | 8 | 2 | 4 | 6 | 7 |
| 6 | 8 | 2 | 7 | 4 | 9 | 3 | 1 | 5 |
| 7 | 4 | 1 | 5 | 3 | 6 | 2 | 8 | 9 |


## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1315**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 6 | | 1 | | | 3 | | |
| | 5 | | | | 2 | | 4 | |
| | | | | 4 | | 8 | | |
| | | | 3 | | 5 | | 8 | 9 |
| | | | | | 4 | | | 5 |
| | | 1 | | 6 | | | 7 | 4 |
| | | | | 3 | | | | |
| 3 | | | 9 | 2 | | | | |
| | | 8 | | | | 4 | 1 | |

# ২০১৯ ইলেক্সনদা ঙম্লবদি মাগী মায়োক্তা লেপ্পুরাও হায়না সক্সি মহারাজনা রাহুল গান্ধীদা শীংনখ্রে



***উন্নাও (য়ু পি), ওক্টোবর ০৮***

বি জে পি গী এম পি, সক্সি মহারাজনা কংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীদা ঙম্লবদি ২০১৯ লোক সভা মীখলদা মহাক্কী মায়োক্তা মীরেপ ওইনা লেপ্পুরাও, মদুদা মহাক্না মাবু মায়থিবা ঙম্লবদি পোলিটিক্স থাদোক্কে হায়না শীংনখ্রে।

ঐনা রাহুল গান্ধীদা ২০১৯ জেনরেল ইলেক্সনদা উন্নাওদগী ঐগী মায়োক্তা ভোট লেপ্পুরাও হায়না শীংনরি। করিগুম্বা মহাক্না মায় পাক্লবদি মহাক পোলিটিক্সতগী তোক্কে। অদুবু করিগুম্বা মহাক মায়থিরবদি মহাকপু ইতালিগীদমক ইন্দিয়া থাদোকখিগদবনি হায়না ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা পাউমীশিংগী মফমদা বি জে পি গীপার্লিয়ামেন্ট মেম্বরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

চহী অসিগী সেপ্টেম্বর অঙনবদা মানসরোবর যাত্রা চৎখিবগীদমকসু উন্নাও লোমেকর অসিনা রাহুল গান্ধীগী মথক্তা চৈখি অমসুং শেংলবা লাইফম অদুদা গান্ধীনা মশা শেংদোক্তনা চঙখিবনি হায়না মরাল শীখি।

মাগী যাত্রা অদুগী মায়োক্তা ঐখোয়না লৈবা নত্তে। অদুবু অসিগুম্বা যাত্রাশিংগীদমক প্যুরিতি মথৌ তাই হায়বসি শাস্ত্রদা ইরিবনি। যাত্রা অদু পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক অশেংবা হায়বদু ওইগদবনি। অসিগুম্বা প্যুরিতি লৈতবা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা লাইশঙ অদুগী মনুংদা চঙনদে। মনা-মশিং চায় হায়রগা হেক্তা য়াবা নত্তে হায়না সক্সি মহারাজনা হায়খি।

মহাক্না করিগুম্বা মতমদা ‘তুপি’ (স্কল কেপ) উপ্পী। অদুগা মদুগী মতূংদা অমুক শিব ভক্তনি হায় হায়না মহাক্না রাহুল গান্ধীদা মরু ফংনা চৈখি।

সমাজ ৱাদি চীফ অখিলেস যাদবনা সাইফাই (ইতাৱাহ) দা লোর্দ বিষ্ণুগী লাইশঙ অমা শারবদি মহাক্না তরাম্না ওক্কনি হায়না বি জে পি লোমেকর অসিনা হায়খি।

রাম লাইশঙগী মতাং অসি ২০১৯ মীখলগী ইশ্যু অমা ওইগদ্রা হংবদা হৌজিক ফাওবগীদি মসি ‘সবকা সাথ সবকা বিকাস’ ওইরি। অদুবু লাল মতমদদি ইশ্যু অসি ফিভমগী মখা পোল্লি হায়খি।

উন্নাওদগী পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইরিবা সক্সি মহারাজনা মখা তানা ফোঙদোকপদা ওপোজিসননা মীখল মমাঙগী এলায়েন্স অমা শেন্নবা হোৎনরিবা অসিগী মরমদি মখোয় বি জে পি খূৎতা মায়থিগনি হায়বসিগী অকিবা লৈবদগীনি হায়খি।

## দি আর দি ও এমপ্লোয়ী ফারে

***নাগপুর, ওক্টোবর ০৮***

দিফেন্স রিছার্স এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (দি আর দি ও) এমপ্লোয়ী অমা স্পাইগী থবক তৌবগা মরী লৈনৈ হায়বগীদমক নাগপুরদা ফাখ্রে হায়না ঙসি নিংথৌকাবা নুমিত্তা ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

উত্তর প্রদেশ অমসুং মহারাষ্ট্র এন্টি-টেরোরিজম স্কৱাদস (এ টি এস) না দি আর দি ও গী ৱার্ধা রোদ ফেসিলিটিদা অপূনবা ওপরেসন অমা চথবদা নিশান্ত অগর্ৱাল হায়রিবা দিফেন্স রিছার্স বোদিগী এমপ্লোয়ী অদু ফাখিবনি হায়রি।

## মাওইষ্টনা ফাখিবা মহৈরোই শিনা ফংলে

***সুকমা, ওক্টোবর ০৮***

মাওইষ্টশিংনা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা ফাখিবা কলেজ মহৈরোই অমগী হকচাং নোংঙানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা সুকমা দিষ্ট্রিক্টকী কুন্দানপাল খুল মনাক্তা ফংলে।

শিনা ফংলিবা মহৈরোই অদু কুঞ্জমি শঙ্কর কৌই হায়বা মশক খঙলে হায়না সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস অভিসেক মীনানা অরেপ্পা ৱাফম ফোঙদোকখ্রে।